# ‘চাইনানা কিন্দরগার্টেন অঙাংশিং য়াওনা টিবেটকী মফম পুন্নমক্তগী দিএনএ সেম্পলশিং কলেক্সন তৌরক্লি’



টাইপৈ, সেপ্টেম্বর ৮ (এজেন্সী): চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা টিবেটকী মফম পুন্নমক্তগী দিএনএ সেম্পলশিং কলেক্সন তৌরক্লি হায়না হ্যুমেন রাইটস ৱাটচনা ফোঙদোকখ্রে।

রাইটস গ্রুপ অসিগী ৱারোল পল্লদুনা রিপোর্ট অমনা হায়রি, মদুদি চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা দিএনএ সেম্পলশিং কলেক্সন তৌরিবদু কিন্দরগার্টেন অঙাংশিং য়াওনা মীওই মখল শুননি। অঙাংশিংদগী দিএনএ সেম্পলশিং লৌবা মতমদা মখোয়না অহল লমনশিংগী অয়াবা ফাওবা লৌদে।

রিপোর্ট অমনা মখা তানা হায়রি, মদুদি চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা চথরিবা দিএনএ সেম্পল কলেক্সনগী দ্রাইভ অদুদা মীয়াম্না য়ানিংদবা উৎপগী নত্ত্রগা অসিগুম্বা কলেক্সন অসিবু মথৌ তাহল্লিবা ক্রিমিনেল কন্দক্টকী ইভিদেন্সনচিংবা পুলিসতা লৈতে। তৌইগুম্বসুং মরম চাদনা অসুম্না পাক্তক্লনা দিএনএ কলেক্সন তৌবা অসি অরুবা হ্যুমেন রাইটস ভাইওলেসননি হায়না গ্রুপ অসিনা মখা তারি।

নিংথৌকাবা নুমিৎকী রিপোর্ট অদুদা পল্লিবা দিএনএ কলেক্সনগী দ্রাইভ অদু চাইনাগী অকনবা গ্রাস রুট-লেভেল পোলিসিং সিষ্টেমবু হেন্না চেৎশিলহন্নবা মওংদা দিজ ইন তৌবা গ্রেট ৩ (‘ইন্সপেক্সন, ইনভেষ্টিগেসন অমসুং মেদিএসন’) কৌবা পোলিসিং কেম্পেইন অমগী মখাদা হৌখিবনি।

রিপোর্ট অদুদা কুমজা ২০১৯ দা লোকেল দিএনএ দেটা বেজ শিং শেমগৎনবগীদমক্তা থোকখিবা গভর্ণমেন্ট টেন্দর অনীসু পনখি। মীয়াম্না খঙনবা পুলিস অমসুং ষ্টেট মেদিয়া পব্লিকেসনশিং পল্লদুনা হ্যুমেন রাইটস ৱাটচনা প্রিফেকচর অপুম্বা অমা, কাউন্টি অনী, টাউন অনী, টাউনশিপ অনী অমসুং ভিলেজ তরেৎ য়াওনা টিবেটান ওটোনোমস রিজন (টিএআর) দা প্রিফেকচর থাক্কী রিজন খুদিংমক্কী দিষ্ট্রিক্ট লোকেলিটি ১৪ দা চথখিবা দ্রাইভশিং খঙদোকপা ঙমখি।

টিএআরগী ৱাংমা ওইবা অতৈ টিবেটান রিজনশিংদা চথরম্বা দিএনএ সেম্পল কলেক্সনগী দ্রাইভ খরসু গ্রুপ অসিনা দিটেক তৌবা ঙমখি। রিপোর্ট অদুদা কেম্পেইন অদুবু ‘ইন্টুসিব’ পোলিসিংগী থৌওংনি হায়রদুনা দিএনএ সেম্পলশিং চহী মঙারোমদা ঙাইরিবা অঙাংশিং য়াওনা ভিলেজ খরগী রেসিদেন্স পুম্ন মক্তগী সেম্পলশিং কলেক্সন তৌখি নত্ত্রগা নুপা রেসিদেন্ট পুম্নমক্তগী সেম্পলশিং কলেক্সন তৌখি।

হৌখিবা জনুৱারীগী রিপোর্ট অমদা পুলিসনা চোংয়ে কাউন্টিদা ইনফোর্মেসন রেজিষ্ট্রেসন অমসুং দিএনএ কলেক্সন পাঙথোক্নবা হোৎনবগী ৱাফমশিং পনখি।

রিপোর্ট অদুনা হায়রি, মদুদি টাউনশিপ অমদা লৈরিবা ভিলেজ অমত্তা কেম্পেইন অদুদা য়াওদবা য়ারোই। ভিলেজ অমগী য়ুম অমত্তা মদুদা নাম্থোকপা য়ারোই। লোয়ননা য়ুম অমগী মীওই অমত্তা মদুদা শরুক য়াদবা য়ারোই হায়নসু রিপোর্ট অদুদা পনখি। চহী ৭০ হেনবগী মমাঙদা টিবেটপু চাইনানা লৌশিনখিবদগী মসি চাইনিজ কন্ট্রোল মখাদা লৈরকখি। টিবেটানশিংনা চাইনাগী থৌওং অদুবু লান্দাবগী থৌওংনি হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, বৈজিংনা মদু টিবেটপু থ্যক্রেটিক রুলদগী ইংনা চিক্লা লিবরেসন তৌবনি হায়না ক্লেম তৌরি। টিবেট অসি মতম শাংনা লাইনিং লাইশোন অমসুং কলচরগা মরী লৈননা চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা ফা পুনবগী থৌওং কয়া চথদুনা লাক্লিবা বোর্দর রিজনশিংগী মনুংদা অমনি। রিজনশিং অদুদা সিঞ্জিয়াং অমসুং মোঙ্গোলিয়াবু য়াওরিবনি।

# ঈচাওনা শোকহল্লবা পাকিস্তান মীয়ামগী অৱা অনাশিং হেঞ্জিল্লকপা য়াই দব্লিয়ু ঐচ ওনা ৱার্নিং তৌখ্রে



জিনিভা, সেপ্টেম্বর ৮ (এজেন্সী): পাকিস্তানদা কুমগী অকনবা নোংনা লৈবাক অসিগী মফম কয়া ঈশিং ঈচাও থোকহন্দুনা চহী অসিগী জুনদগী লৈবাক অসিগী শরুক অহুম থোকপগী অমা ঈশিং থুমজিনখ্রবা শাথিরবা অমাঙ অতা থোকপগী থৌদোক অসিনা মরম ওইদুনা মীয়াম্না থেংনরিবা অৱা অনাশিং হেন্না লুশিল্লকপা য়াই হায়না ৱার্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)না ৱার্নিং তৌখ্রে।

পাকিস্তান গভর্ণমেন্টনা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিদা আপিল তৌরদুনা লৈবাক অসিদা পাক শন্না অমাঙ অতা কয়া থোক্লিবদু মায়োক্নবদা মতেং ওইনবা খুদক্তা তেঙবাংগী পোৎলমশিং থারক্নবা অমদি লৈবাক অসিবু রেস্ক্যু অমসুং রিলিফকী থবকশিং পাঙথোকপা ঙমহন্নবা হায়জখ্রবা মতুংদা মালেমগী লৈবাক কয়ানা শেল অমদি চিঞ্জাক্কী পোৎলমশিং পুবা প্লেন কয়া থারক্তুনা পাকিস্তান গভর্ণমেন্টনা শাথিরবা হ্যুমেনিটরিয়ন ক্রাইসিস অদুবু মেনেজ তৌবদা মতেং পাঙলক্লি।

চাইনা, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, ফ্রান্স, য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটস, কটার অমদি অতৈ লৈবাক কয়ানা রিলিফকী মতেংশিং থাদুনা লাক্লি। ঈচাওগী চৈথেং নঙলবা মফমশিংদা রিলিফকী পোৎলমশিং য়ৌহন্নবা দুবাইদগী অচৌবা এয়র লিফট ওপরেসন অমা হৌখ্রবনি।

হন্দক্কী পাকিস্তানগী ঈশিং ঈচাও অসিদা মীওই মিলিয়ন ৩৩ হেন্না অৱাবা নঙলি। মীওই মিলিয়ন কয়া মখোয়গী ময়ুম অমদি টাউনশিং থাদোক্লদুনা শাফগদবা মফমশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈনখ্রবনি। ঈচাওগী ভিক্তিমশিংদা মখোঙনা ঈশিং মরক্তা ৱানা লমশাং চৎতুনা রিলিফ সেন্টরশিং অমদি টেম্পররি সেলটরশিং য়ৌনবা হোৎনখি।

লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা লৈরিবা লম্বী, হয়ৱে, ট্রেন ট্রেক অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচর ঈচাওনা ফিভম থীনা অমাঙ অতা থোকহনখ্রে। লোয়ননা একর মিলিয়ন ২০ হেনবা লোক্ত্রিবা মহৈ মরোংশিং মপুং ফানা মাঙ তাকখ্রে।

দব্লিয়ু ঐচ ওগী ষ্টেটিষ্টটিক্সকী মতুং ইন্না য়ামদ্রবদা হেল্‌ঠ সেন্টর ১৪৬০ মাঙ তাকখ্রে। মখোয়গী মনুংদা য়ামদ্রবদা সেন্টর ৪৩২ দি লৌবা য়াদবমখৈ মাঙ তাকখি। হৌজিক ঈচাওনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিনা মায়োক্নরিবা হ্যুমেনিটরিয়নগী ক্রাইসিস অদু হেন্দল তৌনবগীদমক্তা দব্লিয়ু ঐচ ও অমসুং মসিগী পার্টনরশিংনা য়ামদ্রবদা মেদিকেল ক্যের ৪৫০০ লিংখৎলে।

# রসিয়াগা অচেৎপা মরী লৈনবা মীচং বেলারসনা পোলেন্দগী বোর্দরদা মিলিটরি এক্সর্সাইজ হৌখ্রে



মিঙ্কস, সেপ্টেম্বর ৮ (এজেন্সী): বেলারসনা পোলেন্দগী বোর্দরগা নক্নবা মসিগী সিটি ব্রেস, কেপিটেল মিঙ্কস অমসুং নোর্থ ইষ্ট রিজন বিটেক্সতা মিলিটরি এক্সর্সাইজ হৌরে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

রসিয়াগা অচেৎপা মরী লৈনবা মীচং লৈবাক অমা ওইরিবা বেলারসনা হায়রি, মদুদি য়ুক্রেনগী বোর্দরদগী শুপ্পগী মাইল ২০ লোমদমক লাপ্না অমসুং পোলেন্দদগী শুপ্পগী মাইল ৬ লোম লাপ্না পাঙথোক্লিবা মিলিটর এক্সর্সাইজ অদুদা য়েক্নবনা মতম খরগী ওইনা পায়শিনখ্রবা লম লিবরেট তৌবগী থৌওং চথবগা লোয়ননা বোর্দর রিজনশিং অমুক হন্না কন্ট্রোল তৌবগী থৌওং চথগনি।

চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা য়ুক্রেনদা লান্দাখিবগী খোঙথাং অদুবু অচুম্বা খোঙথাং অমা ওইহন্নবগীদমক্তা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননসু মান্নবা ৱাহৈ ৱাতাশিং শীজিন্নখিবগা লোয়ননা মহাক্কী ট্রুপশিং লানগীদমক্তা থাদ্রিঙৈগী মমাঙদা বোর্দরগা নক্নবা ৱার গেমশিং পাঙথোকখিবনি।

নাটো লৈবাকশিংনা বেলারসকী বোর্দরশিং নক্নবা হায়বদি এল্লায়ন্স অসিগী মেম্বরশিং ওইরিবা পোলেন্দ, লিথুএনিয়া অমসুং লাটবিয়াদা লাম্বী মরাং কয়া পৈশিল্লকপগী মতাংদা থা কয়া চুপ্পা কমপ্লেন্ট তৌখি অমদি মদুগী পাউখুম ওইনা বেলারস মশাগী মিলিটরি এক্সর্সাইজশিং কনশিলহনখি।

বেলারসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়খি, মদুদি সেপ্টেম্বর ১৪ফাওবা চথগদৌরিবা মিলিটরি এক্সর্সাইজশিং অদুদা নমদুনা মার্সেল লো চৎনহনবা অমদি য়েক্নবা অমসুং ইল্লিগেল আর্মদ ফোর্মেসনশিং থেঙনবগী থৌওংশিং চথগনি।লোকেল মেদিয়া রিপোর্টকী মতুং ইন্না এক্সর্সাইজ অদুদা মিলিটরি পর্সনেল ৭৫০০, আর্মর ভেহিকল ২৬০ অমসুং এয়রক্রাফট অমদি হেলিকোপ্টর ৩০ রোম্না শরুক য়াগনি।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না এক্সর্সাইজ অদুদা শরুক য়ারিবা ট্রুপশিং অমসুং মিলিটরি ইক্কিপমেন্টগী লেভেল অদুনা মখোয়বু ওএসসিই গাইদ লাইনশিংগী মখাদা নোটিস পীবগী মথৌ তাহনখিদে।

হৌখিবা চয়োলদা য়ুক্রেনিয়ন মিলিটরিগী সেনিয়র ওফিসল ওলেক্সি গোরমোবনা য়ুক্রেনগী আর্মদ ফোর্সেসশিং বেলারসকী মিলিটরি এক্সর্সাইজ মনুংদা দিভলপমেন্ট খুদিংমক মায়োক্নবা শেম শাদুনা লৈ হায়খিবনি।

# পাকিস্তানগী দোল্লর মিলিয়ন ৪৫০ গী এফ-১৬ ফ্লিট সষ্টেনমেন্ট প্রোগ্রাম এপ্রুভ তৌখ্রে

ৱাশিংতন, সেপ্টেম্বর ৮ (এজেন্সী): মমাঙগী এদমিনিষ্ট্রেসন্না লৌখিবা ৱারেপকী ওন্ন-তৈনবদা য়ুএসকী বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসননা পাকিস্তানগী এফ-১৬ ফাইটর জেট ফ্লিটকী সষ্টেনমেন্ট প্রোগ্রামগীদমক্তা দোল্লর মিলিয়ন ৪৫০ এপ্রুভ তৌখ্রে।

য়ুএস কংগ্রেসতা হিরম অসিগা মরী লৈননা নোটিফিকেসন অমা ইস্যু তৌখিবগা লোয়ননা ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা দোল্লর মিলিয়ন ৪৫০ গী ওইগদবা সষ্টেনমেন্টগা মরী লৈননা মপানদা মরু ওইবা পাকিস্তানদা এফ-১৬ অমদি মরী লৈনবা ইক্কিপমেন্ট য়োনবগী ৱাফম এপ্রুভ তৌখি।

খোঙথাং অসিনা ইস্লামাবাদপু মসিগী এফ-১৬ ফ্লিট মেন্টেইন তৌবা ঙমহন্দুনা হৌজিক্কী অমদি তুংগী কাউন্টর টেররিজম থ্রেটশিং মায়োক্নবগী কেপেবিলিটিগী চাং হন্থহন্দুনা লৈহনগনি।

দিফেন্স সেক্যুরিটি কো ওপরেসন এজেন্সিনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা খুৎলায়শিং অসিবু য়োনবা য়াবগী ফিভম কংগ্রেসতা খঙহনবগা লোয়ননা মথৌ তাবা সার্টিফিকেসন পীখি। মদু কুমজা ২০১৮ দা মমাঙগী প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা পাকিস্তানগী সেক্যুরিটিগী মতেং পীবা লেপহনখ্রবা মতুংদা য়ুএসনা ইস্লামাবাদতা অহানবা ওইনা সেক্যুরিটিগী মতেং পীবগী অচৌবা খোঙথাং ওইরগনি। কুমজা ২০১৮ দা হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিনা ইস্লামাবাদপু য়ুএসনা টেররিজমগী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা লাঞ্জংদা পার্টনর অমা ওইদ্রে হায়না ফোঙদোক্লদুনা পাকিস্তানদা ৱাশিংতন্না পীরম্বা দিফেন্স অমসুং সেক্যুরিটিগী মতেং পুম্নমক লেপ্পগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

পাকিস্তান এয়র ফোর্সকী এফ-১৬ প্রোগ্রাম কায়হন্দনবগীদমক্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস গভর্ণমেন্টনা কংগ্রেসতা প্রপোজ ফোরেন মিলিটরি সেলস কেসকী মতাংদা নোটিফাই তৌখ্রে। পাকিস্তান অসি য়এসকী মরু ওইবা কাউন্টর টেররিজম পার্টনর অমনি অমসুং মতম শাংনা লৈরক্লবা পোলিসিগী শরুক অমা ওইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা য়ুএস-ওরিজিন প্লেটফোর্মশিংগীদমক্তা লাইফ সাইকল মেন্টেনেন্স অমসুং সষ্টেনমেন্ট পেকেজশিং পীদুনা লাক্লি হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টগী স্পোক্স পার্সন অমনা ফোঙদোকখি। এফ-১৬ ফ্লিট অদুনা পাকিস্তানবু কাউন্টর টেররিজম ওপরেসনশিং মখা চথবা ঙমগনি হায়নসু স্পোক্স পার্সননা ফোঙদোকখি।

# কায়নখ্রবা ইমুংশিং অমুক হন্না পুলহন্নবগী ৱারী শান্নসি হায়না সাউথ কোরিয়ানা নোর্থতা হৌদোকখ্রে



সিওল, সেপ্টেম্বর ৮ (এজেন্সী): কোরিয়াগী লান্না মচোই মচোই তাহনখ্রবা ইমুং লিশিং কয়া অমুক হন্না পুলহন্নবা ৱারী মখা চথবগী ৱাফম শগোলশেল নুমিত্তা সিওলনা পিওংয়াংদা হৌদোকখ্রে।

অহল ওইরবা মরী মতাশিং অমগা অমগা উন্নহন্নবগী মতম লৈশিল্লক্ত্রে হায়রদুনা সিওলনা পিওংয়াংদা লান্না মরম ওইদুনা কায়নখ্রবা ইমুং কয়াগী মীওইশিং অমুক হন্না উন্নহন্নবা অমদি পুলহন্নবগী ৱাফম হৌদোকখিবনি। কোরিয়া অনীগী লান অদু পিছ ট্রিটি অমনা লেপহনবগী মহুত্তা আর্মিষ্টিস অমনা লেপহনখিবা ওইবনা নোর্থ অমসুং সাউথ হৌজিকসু টেক্নিকেলগী মীৎয়েংদা লান শোক্নরি হায়না লৌগনি।

পেনিন্সুলা অসি কোরিয়নশিংনা লানবা ঙন্নরোইদবা দি মিলিটরাইজ জোন (দিএমজেট) না নাকল অনী থোক্লা খায়দোক্লিবনি। নাকল অনীদা লৈরিবা মীচম মীয়াম্না ইমুং মনুংগী ঈ পাউ য়াওনা মওং অমত্তদা হকথেংননা পাউ ফাওনবা নত্ত্রগা উন্নবদা অথিংবা থমদুনা লাকখি।

সাউথকী য়ুনিফিকেসন মিনিষ্টর কিওন য়ং-সেনা হায়খি, মদুদি ঙসিদি সাউথ কোরিয়ন গভর্ণমেন্টনা নোর্থতা অমগা অমগা শেৎনখ্রবা ইমুংশিংগী ইস্যুগী মতাংদা খন্নবগী ৱাফম অসি হৌদোক্লি। ঐখোয়না অতোপ্পা অমত্তা য়াওদনা হিরম অসিগী দাইলোগ চথবা পাম্মী। লোয়ননা দাইলোগ অসিগী তারিখ, মফম, এজেন্দা অমসুং ৱারী শান্নবগী ফোর্মেটকী মতাংদা নোর্থকী অপাম্বশিং খন্নবদা য়ানিংদবা লৈতে।

থা খুদিংগী অহল ওইরবা কোরিয়ন ৪০০ রোম শীজিল্লক্লবা মতম অসিদা ঐখোয়না চহী ৮০ অমদি ৯০ হেল্লবা ইমুংগী অহল ওইরবা মীওই লিশিং ৪০ রোম অমগা অমগা উন্ননবগী মতম লৈশিল্লক্ত্রে হায়না মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখি। নোর্থ কোরিয়াদা কোভিদ ১৯ শন্দোরকপগী মতাংদা পিওংয়াংনা সিওলবু মরাল শীবগা লোয়ননা মদুগীদমক্তা লম্মন খুমগনি হায়না কিহনবা লৈখ্রবনি।

মমাঙদা নাকল অনীনা পোলিটিকেল মরীগী মখা পোন্না লাননা কায়নখ্রবা ইমুংশিংগী মীওইশিং অমুক হন্না উনহনবা অসি মরক মরক্তা চথদুনা লাক্লি। অসুম্না ইকোন কোন্না ইমুং মনুংশিং উন্নহনখিবা অসি কুমজা ২০১৮ দা মতমদুগী সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জে-ইননা য়ুএসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট কিম জোং উনগী মরক্তা মীফম পাঙথোকহনখিবা মতমদনি। তৌইগুম্বসুং কিম অমসুং ট্রম্পকী ন্যুক্লিয়র নিগোসিএসনশিং অথিংবা কোমথোকপা অমদি মদুগীদমক্তা নোর্থ কোরিয়ানা করি তৌগদগে হায়বগী মতাংদা নাকল অনীগী মরক্তা য়ান্নবা পুরকপা ঙমদবদগী কুমজা ২০১৯ দা লেপখিবনি।

# হেলিকোপ্টর ২৯, প্লেন ১১, পর্সনেল ৮৫০ শীজিন্নদুনা লাম্মৈ লাকশিন্নবা হোৎনরি

অঙ্করা, সেপ্টেম্বর ৮ (এজেন্সী): টর্কিগী খা থংবা শরুক্তা ফায়র ফাইটরশিংনা শাথিরবা লাম্মৈ অমা মুথৎনবা হোৎনরকপা শগোলশেল নুমিত্তা নুমিৎ নীনি শুজিনখিবগা লোয়ননা মীওই লিশিং অমা হেন্না শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে।

লাম্মৈ চাকপা অদু য়ুমশকৈশ নুমিত্তা লৈবাক অসিগী মেদিটরিনিয়ন কোষ্টেল প্রোভিন্স মর্সিনগী গুলনার দিষ্ট্রিক্ততা হৌরকখি অমসুং মদু অকনবা নুংশিৎনা হুম্বদগী নক্নবা দিষ্ট্রিক্ট সিলিপকেগী মফম খরদা শন্দোকখি।

টর্কিগী দিজাষ্টর এন্দ মেনেজমেন্ট এজেন্সি এ এফ এ দিগী মতুং ইন্না শাথিরবা লাম্মৈ অদু মুথৎনবা হোৎনবদা য়ামদ্রবদা ৱাটর-দ্রোপ্লিং ২৯, প্লেন ১১ শীজিন্নবগা লোয়ননা পর্সনেল ৮৫০ দিপ্লোই তৌখি।

এ এফ এ দিগী মতুং ইন্না চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা য়ুম চা কয়া য়ামদ্রবদা হোটেল অনীদা লৈরিবা মীওইশিং শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে। মৈনা ৱাইবদগী শোক্লবা মীওই তরেৎ তোঙান তোঙানবা হোস্পিটাল তরেৎতা লায়কন্নরি।

মখা তাবা চেকশিন থৌরাং ওইনা মর্সিনগা নক্নবা প্রোভিন্স অটলয়াগা শম্নহল্লিবা হায়ৱে অমসু থিংজিনখি। তৌইগুম্বসুং মদু শগোলশেল নুমিত্তা অমুক হন্না হাংদোকখি। হৌখিবা সম্মরদা শাবগী চাং হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা নুংশিৎ কন্না শিৎপনা মরম ওইদুনা টর্কিগী মেদিটরিনিয়ন অমসুং এজিয়ন রিজনগী উমংশিং পাক্তক্লনা মৈ চাক্লকখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই নিপান অমদি মশিং থিঙমদ্রবা শাশিং শিখিবনি।

মতমগা চুন্নবা ফায়র ফাইটিং প্লেনশিং ৱাৎপা য়াওনা পাক শন্না লাম্মৈ চাক্লিবদু থেংননবা শেম শাবগী ফিভম শোকহনবগীদমক্তা গভর্ণমেন্টবু মায়কৈ কয়াদগী ক্রিটিসাইজ তৌরিবনি।

# খুদোংথীনিংঙাই ওইরবসু য়ুক্রেনগী ন্যুক্লিয়র প্লান্ট মনাক্তা মখা তানা সেল এটেক চথরি



কিভ, সেপ্টেম্বর ৮ (এজেন্সী): রসিয়ানা য়ুক্রেনগী জাপোরিজিয়া ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্টকী এরিয়াদা অমুক হন্না সেল্লিং চথরক্লে হায়না য়ুমশকৈশ নুমিত্তা লোকেল ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুএন এটোমিক ৱাটচদোক এজেন্সিনা লান শোক্নরিবা সাইটশিংদা কাটাষ্ট্রোফি অমা থোকহন্দনবগীদমক্তা মফম অদুদা সেফ জোন অমা থম্মনবা হায়খ্রবনি। য়ুরোপকী খ্বাইদগী চাওবা ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট অদুগা মায়োক্লনা দনেপর তুরেলগী অতোপ্পা তোৱর্বানদা লৈবা নিকোপোল সিটিদা রোকেট অমসুং হেভি আর্টিলেরি কাপশিনখি হায়না রিজনেল গভর্ণর ভলেন্টিন রেস্নিজেনকোনা ফোঙদোকখি।

ইন্দিপেন্দেন্ট ওইনা ভেরিফাইদ তৌবদি ঙমখিদবা সেল এটেকশিং অদুগী মতাংদা মালেম পুম্বনা নুংনাংবা উৎতুনা লাক্লিবনি। হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ইন্টরনেসনেল এটোমিক ইনর্জি এজেন্সিগী মকোক রাফেল গ্রোসিনা য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলদা ৱার্নিং তৌরদুনা জাপোরিজিয়াদা য়াম্না মাঙ তাকপগী মশক ওইরবা ফিভম অমা লাকপা য়াই হায়খি।

রেস্নিজেনকোনা হায়খি, মদুদি প্লান্ট অদুদা মখা তানা নোংমৈ কাপ্পা, মৈ মম্বা অমদি অতৈ নুংনাংনিংঙাই ওইবা ফিভম কয়া উবা ফঙলি। মসিনা মরম ওইদুনা লোকেল মীওইশিংবু ন্যুক্লিয়রগী খুদোংথীবশিং মায়োক্নদ্রিঙৈদা শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোক্লবা অমদি ন্যুক্লিয়র ক্রাইসিস মায়োক্লনবা শেম শাননবা হায়খি।

মফম অদুদা কাটাষ্ট্রোফি অমা থোক্লকপা য়াবগী ফিভম অমা লৈরিবদুনা প্লান্ট অদুগী অকোয়বদা ন্যুক্লিয়র সেফতি অমসুং সেক্যুরিটি প্রোটেক্সন জোন অমা লিংননবা য়ুএন এটোমিক ৱাটচদোক এজেন্সি অসিনা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনদা তকশিল্লিবনি। তৌইগুম্বসুং মোস্কো অমদি কিভ অনীমক্কী ওফিসলশিংনা প্রপোজেল অদুগী অহেনবা অকুপ্পশিং য়েংশিনবা মথৌ তাই হায়রদুনা সেফতি জোন অমা লিংবগী ৱাফম অদু খুদক্তা থবক ওইনা পাঙথোক্লিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকপা লৈত্রিবনি।

চৈরকসিদা মোস্কোনা মসিগী পান্দম ফঙদ্রিবা ফাওবা য়ুক্রেনদা মখা তানা মিলিটরিগী এক্সন চথখিগনি হায়না য়ুমশকৈশ নুমিত্তা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট পুটিননা ফোঙদোকখ্রে। অথিংবা কয়া থমদুনা রসিয়াবু অৱাবা নঙহন্নবা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা হোৎনরিবা অদুবু মহাক্না করেম্নখ্রে।

পুটিননা হায়খি, মদুদি মিলিটরি এক্সন অদু ঐখোয়না হৌখিবা নত্তে। ঐখোয়গী ওইনদি মিলিটরি এনগেজমেন্ট লেপ্পনবা হোৎনরিবনি। য়ুক্রেনদা ট্রুপশিং থারিবদু মোস্কোনা শৌগৎপা সেপরেটিষ্ট রিজনশিংবু ঙাক শেন্ননবনি হায়না রসিয়ন লিদর অসিনা মখা তাখি।

# চাইনিজ সিটি চেংদুদা কোভিদ লোকদাউন মখা তানা চথরি



বৈজিং, সেপ্টেম্বর ৮ (এজেন্সী): নেসনেল হেল্‌ঠ ওথোরিটিশিংনা কোভিদ ভাইরসকী ফিভম তরাইনা লৌবা য়াদ্রি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লায়না লাইচৎ অসি মখা তানা শন্দোরকপা লাকশিন্নবগীদমক্তা মীওই মিলিয়ন ২১ হেন্না লৈবা অচৌবা সিটি অমা ওইরিবা চেংদুগী ওথোরিটিশিংনা সিটি অসিদা হৌজিক চৎনহল্লিবা লোকদাউন অমুকসু শাংদোকহনখ্রে।

নেসনেল হেল্‌ঠ কম্মিসন (এন ঐচ সি) গী স্পোক্স পার্সন মি ফেংনা শগোলশেল নুমিত্তা হায়খি, মদুদি কোভিদ ১৯ থিংবা অমদি কন্ট্রোল তৌবা অসি হৌজিকসু অরুবা থবক অমা ওইদুনা লৈরি। সেপ্টেম্বর থাদা চাইনিজ মেনলেন্দগী প্রোভিন্স ২৯ দা কোভিদ ১৯ ইনফেক্সনশিং থেংনখি।

ষ্টেট মেদিয়ানা স্পোক্স পার্সন অসিগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, কম্যুনিটিদা লায়না অসিবু শন্দোকপা হৌজিকসু লেপ্পা লৈতে। মপানদগী কোভিদকী কেস কয়া পুশিল্লকপগী মতাংদসু মায়কৈ কয়াদগী চাইনিজ গভর্ণমেন্টনা হৌজিক অকনবা প্রেসর মায়োক্নরক্লিবনি।

দিষ্ট্রিক্ট কয়াদা কোভিদ ১৯ গী কেস কয়া থেংনরকখিবদগী হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১ দা চেংদু সিটিদা লোকদাউন চৎনহনখি। সিটি অসি হৌজিক কোভিদ ১৯ গা মরী লৈননা অকনবা অথিংবা কয়া চৎনহল্লিবা খ্বাইদগী চাওবা চাইনিজ সিটিনি। মসিগী মমাঙ চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা সংহাইদসু অকনবা লোকদাউন চৎনহনখিবনি।

সংহাইদা ওথোরিটিশিংনা থা অনী চুপ্পা লোকদাউন থমখি। হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৭ তা চেংদু সিটিদা অনৌবা কেস ১১৬ থেংনখি। মমাঙগী নুমিত্তনা সিটি অসিদা কোভিদ কেস ১২১ থেংনখিবনি। বৈজিং সিটিসু হৌজিক অনৌবা কেস ২৭ থেংনরিবনি। কেস অয়াম্বা সিটি অসিগী চিংপিন দিষ্ট্রিক্ততা লৈবা বৈজিং য়ুনিভর্সিটি ওফ কেমিকেল টেক্নোলোজিগী কেম্পসতা থেংনবনি।

হায়স্কুল অমদগী কেস অহুম রিপোর্ট তৌরকখি হায়না পল্লদুনা লোকেল হেল্‌ঠ ওথোরিটিশিংনা মমাঙদা বৈজিংগী স্কুল অমসুং য়ুনিভর্সিটি কয়া লায়না লাইচৎ থিংনবগী চেকশিন থৌরাংশিং হেন্না কনশিলহল্লে হায়না ফোঙদোকখি। চেকশিন থৌরাংশিং অদুনা মরম ওইদুনা মহৈরোয়শিং অমদি ওজাশিংনা মখোয়গী নোংমগী ওইবা হেল্‌ঠ কন্দিসন রিপোর্ট তৌগদবনি।

# পেসিফিক্কী মার্সিএল আইলেন্দদা মিনি ষ্টেট শেম্নবা থৌরাংলম্লে

ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ৮ (এজেন্সী): চাইনিজ মতৈ মনাও অমনা এমপিশিং অমসুং ওফিসলশিংবু ৱানোমদুনা পেসিফিক্কী মার্সিএল ঈথৎশিংদা মিনি ষ্টেট অমা শেম-গৎনবা খুজিন থৌরাং তৌরক্লে হায়না মেদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, নুপা নুপী মতৈ মনাও অদুনা মনুং হঞ্জিনবা এটোল অমদা সেমি-ওটোনোমস রিজন অমা শেমগৎনবা লো মেক্করশিংদা তকশিন্নবা হোৎনরমখি।

অসিগুম্বা জোন অমা লিংবা অসিনা হান্না য়ুএসনা ১৯৭৯ ফাওবা এদমিনিষ্ট্রেসন তৌরম্বা পেসিফিক লৈবাক অদুদা মপানগী মীওইশিং চঙবা য়াহনগদৌরিবনি হায়না রিপোর্ট অদুদা পনখি। ওপোজিসন পার্টিশিংনা কন্না তকশিনবা লৈদুনসু মার্সিএল আইলেন্দগী গভর্ণমেন্টনদি চার্জশিং অদুবু মপুং ফানা য়েংশিন্দনা লৈরি। তৌইগুম্বসুং দিফেন্দেন্টশিং কেরিয়ান অমসুং গিনাজৌনা ঈথৎ লৈবাক অদুগী সোভরেন্টিদা শোকহল্লে হায়না য়ুএস ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি। মখোয়না লো মেক্করশিংদা ৱানোম্বা অদুনা মরম ওইদুনা এস এ আর শেম্বগী ৱাফম অসিবু শৌগৎপা বিলশিং কুমজা ২০১৮ অমসুং কুমজা ২০২০ দা মার্সিএল আইলেন্দগী পার্লিয়ামেন্টদা দিবেট চথনখি হায়না য়ুএস প্রোজিক্যুটরশিংনা ফোঙদোকখি।

প্রোজিক্যুটরশিংনা হায়রি, মদুদি চার্জ সিট অদুদা মশক মমিং পন্দবা মার্সিএল আইলেন্দগী লো মেক্কর কয়ানা বিলশিং অদুবু শৌগৎতুনা ভোট পীখি। মদু মখোয়না দোল্লর ৭,০০০ দগী ২২,০০০ ফাওবা চারবা মতুংদনি। চাইনিজ মতৈ মনাও অদু কুমজা ২০২০ দা থাইলেন্দদা দিটেন তৌখি অমসুং হৌখিবা চয়োলদা মখোয় য়ুএসতা ৱায়েল মায়োক্নহন্নবা থাখি।

ন্যু য়োর্ক সাউদন দিষ্ট্রিক্টকী য়ুএস এটোনি দামেন ৱিলিয়মস্না ফোঙদোকখিবদা য়ান অমসুং জৌনা লো মেক্করশিংদা শেল পীদুনা ৱানোল্লিবা অদুনা রিপব্লিক ওফ মার্সিএল আইলেন্দকী সোভরেন্টি অমসুং মসিগী লেজিসলেচরবু চাওনা শীংনখি।

হৱায়ি অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মরক্তা লৈবা ঈথৎশিংগী চেন অমা ওইরিবা মার্সিএল আইলেন্দ অসি চহী ৪০ রোম য়ুএস এদমিনিষ্ট্রেসনগী মখাদা লৈরক্লবা মতুং কুমজা ১৯৭৯ দা নিং তমখি। ঈথৎশিং অসি পেসিফিক্তা ৱাশিংতনগী মরু ওইবা ষ্ট্রেটেজিক বেজ অমা ওইনা লৈরিবনি।

# ব্লিঙ্কননা য়ুক্রেনদা সর্প্রাইজ ভিজিট চৎখ্রে

ৱাশিংতন, সেপ্টেম্বর ৮ (এজেন্সী): রসিয়াগী অকন অরিং শিংবা থৌওংশিং মায়োক্নবা জো বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসন্না য়ুক্রেন অমসুং য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংগীদমক্তা দোল্লর বিলিয়ন অনী হেনবগী অহেনবা মিলিটরি মতেং লাউথোকখিবগা ইরোয়ননা য়ুএসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিঙ্কননা কিভতা সর্প্রাইজ খোঙচৎ অমা চৎখ্রে।

খোঙচৎ অদুগী মতাংদা এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, য়ুক্রেনগী সেনিয়র ওফিসলশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নবদা ব্লিঙ্কননা হায়খি, মদুদি বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসননা নাটোগী মেম্বরশিং অমসুং রসিয়ানা তুংদা অকন অরিং শিংলকপদা খুদোংথীবা মায়োক্নরকপা য়াবা রিজনেল সেক্যুরিটি পার্টনরশিং য়াওনা য়ুক্রেন অমসুং মসিগী য়ুমলোন্নবা লৈবাক ১৮ দা লোং টার্ম ফোরেন মিলিটরি মতেং ওইনা দোল্লর বিলিয়ন ২ গী শেনফম পীরগনি। য়ুক্রেনিয়ন ফোর্সশিংনা লৈবাক অদুগী খা অমসুং নোংপোক্তা লৈরিবা রসিয়ানা পায়শিনখ্রবা মফমশিং অমুক হন্না হন্দোক্নবা কাউন্টর ওফেন্সিব কনখৎখিবগা লোয়ননা য়ুক্রেন অমসুং রসিয়াগী লান কনশিল্লক্লিঙৈ মনুংদা খোঙচৎ অদু পাঙথোক্লিবনি।